# মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থবক পীখিবা নেসনল গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্টশিং করম্না থল্লিবগে?

মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা শান্ন-খোৎনবগী মশকশিং অসি য়েংলুরগা, ষ্টেটসিগা চপ-চান্নবা মণিপুর ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্বা চুমগনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবদি শেমই হায়ববু মদুদা চান্নদবা কয়াসু য়াওরক্তবদি নত্তে।

অফবা মগুণ লৈবা শান্নরোয় থোরকপা মতমদা শান্নরোয়শিংবু ওকপীবা, শেল-থুমগী মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপা, মশাগা চান্নবা থবক ইনখাংনচিংবা পীবা মসিদি অদুমক চথ্দুনা লাক্লি। অদুম্নদি ওইরগা মরিক চুম্বা স্পোর্টস পোলিসি অমা লৈতবনা ঐখোয়গী অফবা শান্নরোয় ময়াম অমা মায়কৈ চুম্না পুরব্রা হায়বসিদি খন্ননিংঙাই মতম ওইরে।

খুদম মচা অমত্তং লৌখৎচরবদা, মণিপুরদা কুমজা ১৯৯৯দা পাঙথোকখিবা 'ফিফ নেসনল গেমস"কী মতমদগী, নেসনল গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা প্লেয়রশিং থবক পীগনি হায়বা অমা লাউথোকখি। মণিপুর ষ্টেটনা চাউনা মায় পাকখিবা ওভর-ওল টিম চেম্পিয়ন্নচিংবা লৌদুনা, ইন্দিয়াগী লেমজনিংঙাই ওইরবা 'রাজা ভালেন্দ্রসিংহ এৱার্দ' ফংখিবা মতমদুদা অচৌবা ঈহৌ অমসু লৈখি।

গেমসতু লোইবা ইকুই কুইদনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা প্লেয়র ময়াম অমা থবক চঙবা ফংনখি। অয়াম্বা শান্নরোয়শিং য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা পি ঈ টি ওইনা থবক ফংনখি। অতোপ্পা খরনা পুলিস দিপার্টমেন্টতা চঙনখি। ষ্টেটসিগী মায় পুরক্লম্বা, সনাগী মেদল লৌবা ঙম্বা প্লেয়রশিংদু, মখোয়বু থবক পীবিরবা মতুংদা করমহায়না লৈরিবগে হায়বসিদি নৈননিংঙাই ওইরে।





অরাপ অরাপ্পা মফমদা পোষ্টিং পীদুনা, পি ঈ টি ওইনা থবক হাপখিবা টেলেন্ট লৈরবা প্লেয়রশিংদুগী ফীভম্না করম তৌখ্রবা? অদুগা অমুকসু, মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক ফিজিকেল এদ্যুকেসন হায়বা সবজেক্টসিবু মহৈরোয়শিংদা তম্বীরিব্রা? মরি লৈনবশিংনা অমুক্তং থিগৎপীয়ু।

নেসনল গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা প্লেয়রশিং অসি থবক্তী হাপ্লগা, লম্বেল চুম্না মখোয়বু পুরিব্রা হায়বসিমদি য়েংশিনবীবা চুমগনি। অফবা শান্নরোয়শিং, থবক মচা অমমম হাপচিল্লগা স্পোর্টস য়োকখৎলিবনি হায়দুনা লৈবসিদি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। শান্নবনা মপুং ওইদুনা লাকপা প্লেয়র অমনা স্কুল অমদা চঙবগা মখোয়না তাকপী তম্বীরুগদৌরিবসিনা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### আর্চরিদা মিৎয়েং অমা

করিনো হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাহং অমনি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তৌবীগে হায়রগদি ষ্টেটসিদা শান্ন-খোৎনবগী অচৌবা ঈহৌ অমা শাগৎনবা গোল্ড মেদলিষ্টশিং অসিগী ফজবা পোলিসি অমসু শেম্বীবা য়াই। প্লেয়রশিং অসিগী মরক্তগী, লাইরিক-লাইশুগা লোয়ননা চৎপা ঙমগদবশিংনা স্পোর্টস এদ্যুকেটর অমা ওইরক্নবা ট্রেনিং লাইন্দা থাজিনবীখিবা য়াই।

কোচকী লাইন্দা চৎনিংবনা শক্তম অমা শাগৎপদা লুপা থোক্কদবসু নত্তে। হৌখিবা চহী খরদগী নেসনল গেমসতগী সনাগী মেদল লৌরকপা শান্নরোয় ময়াম, গভর্ণমেন্টনা থবক হাপচিন্দুনা, মথং মথং মাঙহল্লকপগী ফীভমদা লাক্লিবসি অফবা নত্তে। হিংননবা মশাগা চান্নবা থবক অমা ফংহনবদুনা, শান্নরোয় য়োকখৎপনি হায়না লৌবদি লানগনি। মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীরগা অমুক্তং কুপ্না থিগৎপীয়ু। তৌরিবা থৌওংশিংদু চুম্লিব্রা য়েংশিনবীয়ু।

গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা হায়বসিদি, কৈদৌনুংদা ফ্রী ওইনা লৈহনবদি য়ারোই। থা থাগী ওইনা শেনফম খরা ফংলিবদু, মখোয়না চান্নবা থবক তৌরক্তুনা ষ্টেটসিদা কোন্ত্রিব্যুসন অমত্তা পীরক্ত্রগদি মীয়ামগী ওইনা লাইবক থীবনি। মরম অদুনা, মণিপুর স্পোর্টসকী অশেংবা মশক অমা লাক্লনবা, অফবা প্লেয়রশিং অসি মফম চানা থম্বীদুনা ষ্টেটসিদা কান্নবা পীনবা হোৎনবীয়ু। হৌজিক ঐখোয়না অয়াম্বা উজবদদি, য়াম্না ফরম্বা প্লেয়র কয়া থবক অমা ফংলে, হিংনবগীদমক থোইনা ৱাদ্রে, থাগী চাং নাইনা শেনফম খরসু লাক্লে হায়বরোমদা হেন্না চৎনখিদুনা থৰা শান্নরক্ত্রে। ফীভমসিদা মথং মথং শুম চথরক্লগদি, স্পোর্টসকী ফজবা মশক অমা লৈরল্লিবসি মওং মরিন তারক্তবা য়াই। মরী লৈনবা খূদিংমক্লা হীরমসিদা খরা কুপ্না য়েংশিনবা চুমগনি।

# পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টরনা আই সী সী চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী ৱিন্নরশিংদা লুপা ক্রোর অমমম পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুন ২১ :

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মখোয়গী অহানবা চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী টাইটল লৌখ্রবা নেসনল ক্রিকেট টিমগী প্লেয়র খুদিংমক্তা লুপা ক্রোর অমমমগী শেনফমশিং রিৱার্দ ওইনা পীরগনি হায়না পাকিস্তানগী প্রাইম মনিষ্টর নৱাজ সরিফনা লাউথোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্স ত্রোফিকী ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা মশক থোক্লা ওল রাউন্দ পার্ফোমেন্স পীখিদুনা রন ১৮০ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী অহানবা চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী টাইটল লৌখি। লন্দনগী কেন্নিংটন ওভেলদা পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা অপূনবা রন ৩৩৯ লৌননবা তানখৎখিবদা ওভর ৩৩.৩ দা ৱিকেট পূম্নমক আউট ওইরগা রন ১৫৮ খক্তমক লৌদুনা মায়থীহৌখি।

মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিংদা য়াল্লবা শেনফমশিং পীননবা লাউথোখিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ইনফোর্মেসন মরিয়ুম ঔরাঙ্গজেবনা হায়খি, পাকিস্তান্না টুর্নামেন্ট অদুদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা নেসন অসিগী ইকায়খুম্নবা ঙাকখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, সর্ফরাজ অহমেদনা লুচিংবা সাইদ



অসিনা মখোয়গী মায়োক্লখিবা টিমগী বেট্টিং, ফিল্ডিং অমদি বোলিং দিপার্টমেন্টশিং লাকচনা তৌদুনা নমহৎখি।

টিমনা মশক থোক্লা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলি হায়না ঔরাঙ্গজেবনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমবু দোন পাউচেনো কোদ তৌদুনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিস্তান্না মায় পাকখিবা অদুনা আই সী সীগী রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম অনী কাখৎলগা তরুকশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। মখোয়গী মায় পাকখিবা অসিনা পাকিস্তান্না আই সী সী ক্রিকেট ৱর্ল্দ কপ ২০১৯ দা ক্বালিফাই ওইননবগী খোঙফম নকশিন্না লৈখ্রে।

সর্ফরাজ অহম্মদনা লুচিংবা সাইদ অসিনা চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেলদা মখোয়দগী হেন্না থাক ৱাংনা লৈবা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীখিবা অমদি সেমী ফাইনেলদা ইংলেন্দবু ৱিকেট নিপান্দা মায়থীবা পীখিবা য়াওরগা অপূনবা পোইন্ট ৯৫ দা লৈবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবদগী পাকিস্তান্না ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) ও দি আই টিম রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফমদগী অনী কাখৎলগা তরুকশুবা মফমদা লৈখিবনি। অদুগা ফাইনেলিষ্ট ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফমদা লেংদনা লৈখি।

সর্ফরাজ অহমেদকী টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অদুদা মখোয়দগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা ওপোনেন্টপু মায়থীবা পীখিবদগী পোইন্ট ৯৫ ফংখি। পোইন্টশিং অসি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা শান্নখিবা ফাইনেল অমদি ইংলেন্দগী মায়োক্তা সেমী ফাইনেলদা ৱিকেট ৮ দা মায় পাকখিবা অদু য়াওরি।

পনবা য়াই, চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু রন ১৮০ দা মায়থীবা পীদুনা আই সি সি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী টাইটল লৌখি।


কুমজা ২০০৯ দা পাকিস্তান্না ৱর্ল্দ টুয়েন্টি টুয়েন্টি লৌখিবা মতুং আই সি সিগী চেম্পিয়ন ওইবা হন্দক্লা অহানবনি।

ওপনর ফাখর জমননা সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়ননা মহম্মদ অমিরনা বোল ফজনা লংখিবদগী পাকিস্তান্না মায় পাকপা ঙমখিবনি।

জমননা রন ১৪৪ লৌখিবগা লোয়ননা পাকিস্তান্না অহানবা বেট্টিং তৌবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৩৩৮ লৌখি।

মদুগী পাউখুমদা ইন্দিয়ানা ওভর ৩০.৩ গী মনুংদা রন ১৫৮ লৌরগা ৱিকেট পুম্নমক তুখিবদগী মেচ অদু মায়থীখিবনি।

# 'ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়োক্লগদৌরিবা মালেসিয়া টিম্বু লায়না লৌবা তৌদে'



লন্দন, জুন ২১ :

হোকি ৱর্ল্দ লীগ সেমী ফাইনেলগী শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মালেসিয়াগা শান্নগদৌরিবা মেচ অসি লায়না লৌবা তৌরোইদবনি হায়না ইন্দিয়াগী চীফ কোচ রোলেন্ট ওল্টমান্সনা মহাক্কী টিম প্লেয়রশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

মালেমগী তরুকশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ইন্দিয়ানা ১৪ শুবা মফমদা লৈরিবা মালেসিয়াবু মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা অজলান শাহা কপ্তা ১-০ দা মায়থীবা পীখিবনা হয়েংগী মেচ অসিদা ইন্দিয়ানা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি। অদুমকপু হয়েংগী মেচ অসি ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংনা লায়না লৌদনবা চীফ কোচনা অকনবা ৱার্নিং তৌখি।

ওল্টমান্সনা হায়, ঐখোয়না মেচ অসিদা নিংথিনা শান্নগদবনি। মসিদা অকায়বা অমত্তা তৌবা য়ারোই। নোক আউট ষ্টেজ অসিদা অশোয়বা অমত্তা থল্লোইদবনি। মেচ অসিনা ঐখোয়গী লাইবক লেপকদৌরিবনি হায়না চেকশিন ৱা থমখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মালেসিয়া অসি অফবা সাইদ অমনি অমদি ওপোনেন্ট অমত্তবু লায়না লৌবা তৌরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ওল্টমান্সনা মহাক্কী ষ্ট্রাইকরশিংনা হৌজিক ফাওবদা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি। অদুমকপু ইন্দিয়ানা হেন্না ইমপ্রুভ ওইবা মথৌ তারি হায়বা ৱাফম থমখি।

মহাক্লা হায়, ঐখোয়না মমাঙদা শান্নখিবা মেচ খরদা মশক থোক্লা ফিল্ড গোলশিং চনখি। মসিমক শিংথানিংঙাই অমনি। ঐখোয়গী টিম অসিনা মখা তানা মায়োক্লগদবা টিমশিংগী মায়োক্তা মতিং থোক্লা শান্নবা মথৌ তারি। ঐখোয়গী টিমগী ফোরৱার্দ লাইন মশক থোক্লা লৈরি। হয়েং মালেসিয়াগা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিদা প্লেয়রশিংগী লৈজরিবা মতিক মথৌনা অমদি লিংজেল পুথোক্তুনা শান্নগনি। মেচ অসি মায় পাক্লবদি সেমী ফাইনেল চঙদুনা ফাইনেলগীদমক খোঙফম শেম্বা ঙম্লগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা মহাক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা ফংখিবা মেচ অহুম্মক মায় পাকখ্রবা মতুং ঙরাং নেদরলেন্দসকী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা মায়থীহৌখিবনি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা মায়থীহৌখ্রবসু ইন্দিয়ানা মমাঙদা মেচ অহুম মায় পাকখিবনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক হান্নমা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি। নেদরলেন্দসকা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা পেনালটি গোলশিং চনবা ঙমখিদবনা মায়থীননবগী মচাক ওইখি।



HL-B/3934/11/6-10/7

# এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকীদমক নিংথিনা শেম শাখিদে হায়না রেষ্টলর সক্সি মালিক্লা ফোঙদোকখ্রে



মুম্বাই, জুন ২১ :

রিও ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদল ৱিন্নিং রেষ্টলর সক্সি মালিক্লা ক্বাদ্রিনিএল গেমসকী মতুংদা মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনল ইভেন্ট অমা ওইখিবা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুগীদমক নিংথিনা শেম শাখিদে হায়না মহাক্লা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

গেমস অদু পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা অতোপ্পা রেষ্টলর সৈত্যৱার্ট কাদিয়ানগা লুহোংখিবী সক্সিনা চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোকখিবা কন্টিনেন্টেল চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপীগী কেজি ৬০ গী ক্লাসতা শিলভর মেদল লৌখিবনি।

সক্সিনা পাউমীশিংদা হায়খি, তশেংনা রিও ওলেম্পিক্সকী মতুংদা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুনা ঐগী অহানবা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন ওইখি। মদু য়াম্না গেপ লৈনখি। হায়রিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অদুগীদমক ঐনা চাদা ১০০ হেন্না শেম শাখিদে।

হৌজিক ঐনা অকনবা মওংদা ত্রেনিং চথরি অমদি তুংদা লাক্কদবা চেম্পিয়নশিপ্তা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্লগনি হায়বগী আশা তৌরি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হরিয়ানাদা বেজ তৌবা রেষ্টলর অসিবু হন্দক্তা ইন্দিয়ন মার্চেন্ট চেম্পরস লেদিজ ৱিংনা মখোয়গী এ জি এমদা ৱিমেন ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা মেটতা হল্লকখিবদা পূক্নিংদা করি ফাওবগে হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়, মদুদা ঐঙোন্দা চাওথোকচবা ফাওখি। ঐনা রেষ্টলিং মশান্নদা হনবা লৈতনা শান্নরক্তুনা হৌজিক ওইরিবা ঐগী থাক অসি য়ৌরকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী অসিনা রিও ওলেম্পিক্সতা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীখ্রবা মতুং এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা মীয়ামদা লৈনখিবনি।

সক্সিনা হায়খি, ঐনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা প্রেসরশিং মায়োক্লখি অদুবু হার্দ ৱার্ক য়াওদনা প্রেসর কয়া মায়োক্লরবসু কান্নবা লৈরোই। ঐনা কন্টিনেন্টেল চেম্পিয়নশিপ অদুগীদমক নিংথিনা শেম শাখিদবনা ঐঙোন্দা মেদল লৌগনি হায়বগী থাজবসু লৈখিদে। অদুবু ঐনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা শিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবা অদুদা অপেনবা পোকই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫০

১. চহী মরিগী মমাঙদা কুমজা ২০১৩ দা বির্মিংহামগী বার হোটেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা কিন্না থিনখিবগী ৱাথোক ওইখিবা ইংলেন্দগী শান্নরোয় অদু কনানো?

২. কুমজা ১৯৬০ দা রোমদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসকী ফুটবোলদা চেম্পিয়ন ওইখিবা টিম অদুগী শান্নরোয় ১০ খক্তনা ফাইনেলদা শান্নখি। তান্থোকখিবা শান্নরোয় অদুগী মরাল করিনো?

৩. নুপাগী প্রোফেসনেল বাস্কেটবোল লীগতা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবী নুপী অদু কনানো?

৪. মহাক ওলেম্পিক্কী লমজেল মতেক চেনবগী চেম্পিয়ননি। ওলেম্পিক্তা মহাক্লা লমজেল চেনবা খুদিংগী মহাক্কী ত্রেক সুইট অদু হোংই। মহাক্কী মপুরোইবসু ওলেম্পিক চেম্পিয়ননি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

৫. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসিদা বোল পায়দুনা চোঙখৎলিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং হায়য়ু?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০ ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লেঙশিনবিরকউ/

হুইয়েন লানপাউগী

অনৌবা ওফিস

কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক

খুদোংচাবা লৈগনি

- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :

অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

